# অঙাংগী বাইবল

## খুদোল তাম্জারী

# অহান্বা ইস্টার
# ( যীশু হিংগৎপা )



অইবা : Edward Hughes
লাই ুয়ক্পিবা : Janie Forest
হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh
চুনাহান্বিবা : Lyn Doerksen

ৰারি ৬০ গী ৫৪

**www.M1914.org**

***Bible for Children,*** *PO Box 3, Winnipeg, MB R3C 2G1 Canada*

লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোক্পা য়াই অদুবু ুয়াল্লাগা শেন্দান লান্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।

**মৈতৈ/মীতৈ** Meitei Manipuri

নুপী অদু নিল-থোংবা চিং অদুগী নাকন্দা লেপলমই, মহাক্কী অৰবা মমিৎ অদুনা যেংহৈদ্রাবা দৃশা অদুদা যেংখৎলমই। মহাক্কী মচা নুপা অদু শিদৌগী তৌরমই। মমা অদু মেরি ওইরমই, অমসুং যীশুবু ক্রোসতা য়োংপী থারিবাদুগী মনাক্তা লেপলমই।



1



মতৌ করম্না মসি লোয়নামক ওইরমলিবানো ? যীশুগী অসুক ফজাবা পুন্সি অসি অসুক ৰানা করম্না লোইসিলগাদৌরিবানো ?

2



মতৌ করন্না ঈশ্বরনা মহাক্কী
মচা নুপাবু ক্রোস্টা যোংপী
থরাগা শিহনখিগাদৌরিবানো ?
যীশুনা মহাক কনানো
ওইবাসিমক অরান্বা
তৌখ্রাব্রা ? ঈশ্বর
মাইথিরাব্রা ?

3



অসুন্না নত্তে! ঈশ্বর
মাইথিরমদে। যীশুনা করিসু
অরান্বা তৌখিদে। যীশু মশানা
থংজরমই মহাক ফত্তাবা
মীনাশিংনা হাৎকনি হাইবা।
যীশুনা অঙাং ওইরিঁঙৈদসু অহল
সিমেওন্না মেরিদা হায়খি তুংদা
অৰাবা কয়া থেংনগানী হায়না।

4



যীশু হাৎত্রীঙৈ নুমিৎ
থরানিগী মমাংদসু নুপী
অমা লাক্লাগা যীশুগী
খোংদা মনম নুংশিবা থাও
তৈবিরমই। মদুদা মহাক্না
অরেম্বাদা চাদিং তৌরিবানি
হাইনা সেবোকশিংনা ৰাকৎলমই।
যীশুনা হাইরমই, "মহাক্না তৌরিবাসি অফাবা
থবক্নি মদু মহাক্না ঐগী ফুম্বা নুমিৎকিদমক
তৌরিবনি" । মহাক্কী পাওখুম অদু য়াম্না ঙক্রা!

5

অদুগী মতুংদা, যীশুগী
সেবোকশিংগী মরক্তাগী, জুদাস্না
যীশুবু পুরোহিতশিংগী মকোক্তুদা
সিলভার ৩০ দা যোনঠোক্কে
হায়না য়ারমই।



6



ইহুদিশিংগী পাসওভর উৎসবতা, যীশুনা
মহাক্কী সেবকশিংগা অরোইবা চারা
চামিন্নারমই। মহাক্না মথোইদা ঈশ্বরগী
মরমদা অমসুং মহাকপু নুংশিবিবাশিংগী
ৰাশককি মরমদা য়াম্না মরুওইবা কয়া
হাইবিরমই। অদুগা যীশুনা তন অমসুং
তেঙ্গাৎতু মথোয়দা যেনলমই। মদুশিংদু যীশুগী
ঈ অমসুং হকচাংনা মীওইবাগী
পাপ্পু ঙাকপী হায়বা
নিংশিংনানাবা
ওইরমই।

7

অদুদগীদি, যীশুনা মহাক্কী মরুপশিংদা হাইরমই মদুদি মহাকপু নম্থাক
তৌবিরমগনি অদুগা মখোই লোইনা চেল্লখিনি হায়না। "ঐ করিসু চেল্লোই
হায়না পিটরনা কন্না হিরমমি"। "যেনবানা খোদ্রিঙৈ নহাক ঐবু অহুমলক
শক থাংদে হায়গনী" হায়না যীশুনা হাইরমই।



8



অদুগী অহিং অদুদা, গেথসেমনে লৈকোন্দা ইশ্বরদা হাইজবা থোরকলমই। মহাক্কা লোইনাবা সেবকশিং তুম্থারমই। “ও ঐগী ইপাইবুংঙো”, অসুন্না যীশু প্রার্থনা তৌরমই, “...মসিগী তেঙ্গাৎ অসি ঐঙোন্দাগী লৌথোকপীয়ু। অদুম ওইনমক ঐগী অনিংবা নত্তানা নহাক্কি অনিংবা ওইহন্বীয়ু”।

9

থংহৌদনা, জুদাসনা লমজিংলগা, মী শংগু অমা লৈকোন অদুদা চংলক্লমই। যীশুনা করিসু থিংলন্দে, অদুবু পিটরদি শাওবা হেন্মন্দুনা মী অমগী মনা কক্লমই। যীশুনা নুপা অদুগী মনাদু তপ্পা শোক্তুনা ফাহল্লমই। মহাক্পু ফাবা হায়বা অসি ঈশ্বরগী অনিংবানি হায়বা যীশু মশানা থংজারমই।



10

মী শংগু অদুনা যীশুবু পুরোহিতকি ময়ুম্দা পুরম্মি। মফম অদুদা ইহুদিগী লুচিংবাশিং অদুনা হাই যীশুদি শোয়দানা শিরাগানি হায়না। মনাক অদুদা, পিটর মৈ তিক্লিবা মীনাইশিং অদুগী নকন্দা লেপ্তুনা য়েংলমই।



11

মীশিং অদুনা পিটরদা অহুপ্পক য়েংলকলমমই অমসুং হায়রম্মি, “নঙসু যীশুগা লোয়নারমবা নত্রা!” পিটরনা অহুপ্পক যীশুবু য়ারন্দে, যীশুনা হাইথিবাগুম্না। পিটর সিরাপ অমসুং ৱাশক্লাফাওবা।



12




অদুগী হেক মতুংদা, য়েনবা খোঙলক্লমই। মদু পিটরদা ঈশ্বরগী খোঞ্জেল ওইনা তারম্মই। যীশুগী ৱাহৈশিংদু নিংশিংলম্মী, পিটর থামোই শোক্লা কপ্পমই।

13



অমরোম্দা জুদাসসু নুংঙাইতাবা ফাওরমই। যীশু করিসু লালদে অমসুং পাপ তৌদে হায়না মহাক থংলমই। জুদাস্না সিল্ভর ৩০ দু হন্না পিবা চৎলমই, অদুবু পুরোহিতশিংনা মদু লৌরন্দে।

14


জুদাস পৈশাশিংদু লংথোক্লল্লাগা, উ থৌরি য়ান্বা চৎলমই।
15


পুরোহিতশিংদুনা যীশুবু রোমনগী গভর্নর পিলাত্তা পুরক্লমই। পিলাতনা হাইরমই, “ঐ মসিগী নুপাসিদা মরাল করি অমতা ফংলব্দে”। অদুবু মীশিং অদুনা থোঙ্জল হেন্না হেন্না, লাওথৎললমই, মবু ক্রোস্তা হাৎলু - ক্রোস্তা হাৎলু!
16


অদুবু মামৈদা পিলাতনা যীশুবু ক্রোস্তা হাৎনানাবা য়াথং তৌরমই। সিফাইশিংদুনা যীশুবু কিন্না থিল্লমই, মামায়দা তিন সিৎচিল্লমই, অমসুং ইনথুদুনা থিনা ফুবিরমই। অদুগা মথোয়না থৌরবা তিংখংগী লুহুপ শেমলগা মহাক্কী মকোক্তা কন্না উপচ্ছিলবিরমই। অদুগী মতুংদা মথোয়না মহাকপু উগী ক্রোস্তা য়োৎপি থাজিল্লমই।
17


যীশু মহাক অসুম্না শিগনি হায়বা হান্নাদাগী অদুম খংলমই। অদুগা মহাক্কী শিবদা থজাবা মী মখৈগী পাপ কোকপিগানি হায়বাসু হান্নাদাগী খংলমই। হুরান্বা অনিসু যীশুগী নকন্দা অদু নুমিত্তুদা ক্রোস্তা পাং তিংলম্মই। অনিদুগী মনুংদা অমদি যীশুদা থজারম্মি অদুগা স্বর্গদা চতলম্মই। অমদুদী থজারমদে।
18


পুং অমমুক ৰানা থাংলাবা মতুংদা যীশুনা হাই, “মসি লোইরে”, হিরাগা মহাক শিরম্মী। মহাক্কী থবক মপুংফানা লোইরমই। মহাক্কী মরুপশিংনা মহাক্কী অশিবা হকচাংদু লানায় মোংফম অমদা ফূমলমই।
19


অদুগী মতুংদা রোমনগী সিফাইশিংনা মোংফম অদু ফজানা খুমজিলম্মি অমসুং চেকশিন্না ঙাক-সেল্লম্মি। মফম অদুদা কনা অমতা চঙবা নত্রগা থোকখিবা ঙমলমদে।
20












যীশু সেবকশিংগী মনাক্তা লাক্লমই, অমসুং য়োৎপি থাখিবগী
খুৎকি দাকফমশিংদু মখোইদা উহল্লমই। মদু অচুম্বা ওইরমই।
যীশু অমুক হিংলম্মী! পিতরনা মহাকপু য়াজদবাদুসু মহাক্না
ঙাকপিরম্মি, অমসুং মহাক্কী সেবকশিংদা মহাক্কী মরমদা মী
খুদিংদা হাইদোকউ হায়না হায়রম্মি। অদুগী মতুংদা মহাক
অহান্বা খ্রীষ্টমাসকিদমক লাকপা মফম স্বর্গ অদুদা
অমুক হন্না চৎখি।

24

অহান্বা ইস্টার (যীশু হিংগৎপা)

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মাত্থী ২৬-২৮, লুক ২২-২৪,
যোহন ১৩-২১

"ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।"
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক
অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই। পাপকি অতৌমন্দি শীবনি।

ঈশ্বরনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী মমল কোকপিনবা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা স্বরগদা চৎথি! মরম অসিনা ঈশ্বরনা ঐখোইগী পাপশিং ঙাকপিবা ঙমই।

নংনা পাপ্কি লম্বিদগী হল্লাকপা পাল্লাবাদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐনা থজাজে মদুদি যীশুনা ঐগীদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগৎলি। নহাক্কি নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু। অমেন। যোহান ৩:১৬

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ!